ইম্ফাল রাইডিং ক্লবনা এম পি এস সি অমদি চিঙ্খোহুনবা পোলো ক্লবনা লমন পোলো ক্লব থোইখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ ঃ মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ইম্ফালগী মপান কাংজেবুংদা চথরক্লিবা অনিশুবা ষ্টেট ৱুমেন্স পোলো টুর্নামেন্ট ২০২৩ গী ঙসিগী মেটচশিংদা ইম্ফাল রাইডিং ক্লব অমদি চীঙ্খোহুনবা পোলো ক্লব মায় পাকপা ঙমখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা অহানবা গ্রাউণ্ডদা ইম্ফাল রাইডিং ক্লবনা এম পি এস সি পোলো টিমবু পাঞ্জল ২০–২ দা থোইবা ঙমখি। হায়রিবা মেটচ অসিদা এম পি এস সিগী ওইনা ২শুবা চক্রগা গাইজিনলু গোলমৈনা মিনিট ৫.৪৪ অমদি ৩শুবা চক্করদা সুসিলানা মিনিট ১.২৭ চৎপদা গোল অমমম খক চনবা ঙমখি। লম্বা ওইরিবা ইম্ফাল রাইডিং ক্লবকী ওইনদি অহানবা চক্করদা কে ঐচ দবেন্টিনা মিনিট ১.০৬, ২.০৬, এম প্রিয়ানা মিনিট ১.৪৯, ৫.৩৭, কে ঐচ হাবেনা মিনিট ২.৪২, এম প্রিয়ানা মিনিট ৪.০৭, ৬.৩১ অমদি ৭.১৬, অনীশুবা চক্রদা কে ঐচ দবেন্তিনা সেকেণ্ড ২৩ অমদি মিনিট ৪.২৩, এম প্রিয়ানা মিনিট ৩.২০, অহুমশুবা চক্করদশু এম প্রিয়ানা সেকেণ্ড ২৮, এন হাইজেননা মিনিট ২.৩১, কেঐচ দবেন্তিনা মিনিট ৪.৫৫ অমদি ৬.০৫, ৪শুবা চক্করদা কে ঐচ দবেন্তিনা সেকেণ্ড ২৯ অমদি মিনিট ৩.৪৮, এম প্রিয়ানা মিনিট ৪,২৯ অমদি ৫.২১ অমদি এম বিজেন্টিনা মিনিট ৬.১৫ চৎপদা গোল চন্দুনা পুন্না পাঞ্জল ২০–২ দা থোইবা ঙমদুনা ফাইনেল চংবা ঙমখিবনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ২শুবা মেটচতা চীঙ্খোহুনবা পোলো ক্লবনা লমন পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ১৪–০ দা থোইবা ঙমখি। হায়রিবা মেটচ অসিগী অহানবা চক্করদা চিঙ্খোহুনবা পোলো ক্লবকী টি ঐচ সনাজাওবীনা মিনিট ২.০৪, চাওবনা মিনিট ৪.২২, নিলু আর কেনা মিনিট ৬.০৮, অনীশুবা চক্করদা এন ফেলিসিয়ানা মিনিট ১.৩৫ অমদি নিলু আর কেনা মিনিট ২.০৮, □অহুমশুবা চক্করদা টি ঐচ সনাজাওবীনা সেকেন্দ ২৯, আই সঙ্গিনা মিনিট ১.১২, নিলু আর কেনা মিনিট ৪.৪৯ লোয়ননা মরিশুবা চক্করদা লিু আর কেনা মিনিট ১.৪৬, ৩.২৪ অমদি ৫.২৫, চাওবনা মিনিট ২. ৫০, আই সঙ্গিতানা মিনিট ৪.৩৩ অমদি টি ঐচ সনাজাওবীনা মিনিট ৬.২৮ চৎপদা গোল চন্দুনা পুন্না পাঞ্জল ১৪–০ দা থোইবা ঙমদুনা ফাইনেল চংবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচ ওইনা থা অসিগী ১৯ দা ইম্ফাল রাডিং ক্লবকা চিঙ্খোহুনবা পোলো ক্লবকা থেংনরগনি।

ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমি মায়পাকখ্রে, সাই আর সি গা পি এল এল গা দ্রো তাখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ ঃ ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা লোইতাং ফুটবোল এরেনাদা চথরিবা রিলায়েন্স ফাউন্দেস দেবলপমেন্ট জোনেল লিগ ২০২৩গী ঙসিগী মেটচশিংদা ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমিনা এস দি সি বু মায়থিবা পিবা ঙমখিবগা লোয়ননা সাই আর সি গা পি এল এল গা দ্রো তাখ্রে।

ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমিনা এস দি সি বু পাঞ্জল ৫–০ দা থোইবা ঙমখি। ইবুংঙো নিংথৌখোংজমনা সেন্টর রেফ্রি ওইনা কন্দক্ট তৌখিবা মেটচ অসিদা ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমিগী হাওবম তোম্বনা মিনিট ৫ চৎপদা অহানবা গোল চনবা ঙমখ্রবা মতুং টিম অসিমক্কী সেরটো ৱারনৈলেন কোমনা মিনিট ১৭ অমসুং ৩৬, শগোলশেম বিজেশ্বরনা মিনিট ৫৫ অমদি তোংনৈসেন কিপগেননা মিনিট ৬৪ চৎপদা গোল চন্দুনা পুন্না পাঞ্জল ৫০ দা লম্বা ওইরিবা এস দি সি বু মায়থিবা পিবা ঙমখিবনি। হায়রিবা মেটচ অসিদা এস দি সি গী ৱারোকপম মৈতেঙানববু মিনিট ১৩ লোয়ননা ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমিগী নিংথৌখোংজম রোহেনবু মিনিট ৪৩ চৎপদা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অনিশুবা মেটচতা সাই আর সি অমদি পি এল এল না গোল অনি অনি চন্নদুনা দ্রো তাখি। শমসন চোংথামনা সেন্টর রেফ্রি ওইনা কন্দক্ট তৌখিবা মেটচ অসিদা পি এল এল গী শেঙ্গালেন হাওকিপনা মিনিট ১০ চৎপদা ফংবা পেনালটি অমা গোল চনবা ঙমখ্রবা মতুং টিম অসিমক্কী লুনখোসেম হাওকিপনা মিনিট ৭৭ চৎপদা গোল অমগা চন্দুনা টিম অসিগী অপুনবা পাঞ্জল ২ ওইখি। লম্বা ওইরিবা সাই আর সি গী ওইনদি টিম কেপ্তেন খরিবম প্রভানন্দনা মিনিট ৩০ অমদি ৬২ চৎপদা গোল চন্দুনা মেটচ অসি পাঞ্জল ২– ২ দা দ্রো তাখিবনি। হায়রিবা মেটচ অসিদা পি এল এল গী শোনজালেন হাওকিপপু মিনিট ৮৪ অমদি ওবাত এম হাওকিপপু মিনিট ৮৯ চৎপদা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

রেয়জনা অল অমিন অমদি পি টি আর সি না আর য়ু এল ই থোইখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ ঃ মনিপুর ক্রিকেৎ এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ৭ শুবা এম এন সি এ দব্লিউ প্রহ্লাদ এন্দ দব্লিউ রমানন্দ ইলাইদ ক্রিকেৎ টুর্নামেন্ট ২০২২–২৩ গী ঙসিগী মেটচশিংদা রেয়জ অমদি পি টি আর সি মায়পাকপা ঙমখ্রে।

ঙসি লুৱাংপোকপা ক্রিকেৎ ষ্টিদিয়মদা পাংথোকখিবা মেটচ অমদা রেজ খ্বাই নাগামপাল লমাবম লৈকায়না অল অমিন লিলোংবু ৱিকেৎ ৬ তা থোইবা ঙমখি। মেটচ অসিদা রেজনা তোস ঙমদুনা ফিল্ড খনখিবদগী অহানবা বেট্টিং তৌখিবা অল অমিননা অপিবা ওভর ২০ দা ৱিকেৎ ৮ তুরগা রন ১০৩ লৌবা ঙমখি। হায়রিবা ইন্নিংস অসিদা অল অমিনগী বেটসমেন মহম্মদ অল বসিটনা বোল ৪১ অমদি খুল্লাকপম সহদট অলিনা বোল ৩২ দা রন ২৭ / ২৭ লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা রেয়জগী বোল্লর রোমারিও না ওভর ৪ অমদি সাপম বিকাসনা ওভর ৩ দা ৱিক্কেৎ অনি অনি লৌখি। অনিশুবা বেট্টিং তৌখিবা রেজগী ওইনদি ওভর ১৯.২ দা ৱিকেৎ ৪ তুরগা রন ১০৭ লৌদুনা ৱিকেৎ ৪ দা থোইবা ঙমখিবনি। হায়রিবা ইন্নিংস অসিদা রেয়জগী বেটসমেন এম দি বসির রহম্মনা বোল ৫২ দা রন ৪৮ লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা অল অমিনগী বোল্লর মহম্মদ নসির, মুতদ মহম্মদনা ওভর ৪ / ৪, এম দি করিমনা ওভর ৩ দা ৱিকেৎ অমমম লৌবা ঙমখি। হায়রিবা মেটচ অসিদা রেয়জগী বসির রহম্মনা মেন ওফ দ মেটচ তাবা ঙমখি।

ঙসি খাঙবোক পার্ট থ্রি দা লৈবা চেরাপুর পব্লিক গ্রাউন্দা পাংথোকখিবা মেটচ অমদা পি টি আর সি পাৎশোই পার্ট ফোরনা আর য়ু এল ই মালোমবু রন ১৩ দা থোইখি। মেটচ অসিদা আর য়ু এল ই না তোস ঙমদুনা ফিল্ড খনখিবদগী অহানবা বেট্টিং তৌখিবা পি টি আর সি না ওভর ২৫ তা ওল আউট ওইরগা রন ১৬৭ লৌবা ঙমখি। হায়রিবা ইন্নিংস অসিদা পি টি আর সি গী বেটসমেন চিংখাম বিদাসনা বোল ৪৩ দা বোল ৬৫ লৌখিবগা লোয়ননা আর য়ু এল ই গী বোল্লর এন দেনিননা ওভর ৫ দা ৱিকেৎ ৩, রোজিৎনা ওভর ৪, এন সরোজকুমারনা ওভর ৫, অমদি এস আনন্দনা ওভর ৪ দা ৱিকেৎ অনি অনি লৌখি। অনিশুবা বেট্টিং তৌখিবা আর য়ু এল ই গী ওইনদি ওভর ২৫ তা ৱিকেৎ ১০ তুরগা রন ১৫৪ খক লৌবদগী পি টি আর সি না রন ১৩ দা থোইবা ঙমখিবনি। হায়রিবা ইন্নিংস অসিদা আর য়ু এল ই গী বেটসমেন এন দেনিনা বোল ৩৩ দা রন ৪৪, জয়সিংহনা বোল ৪৬ তা রন ৪৩ লোয়ননা পি টি আর সি গী বোল্লর জোতিন ফৈরোইজমনা ওভর ৫ দা ৱিকেৎ ৪, আর কে রেক্স অমদি বিশ্বরজিৎ কোম্হৌজমনা ওভর ৫। ৫ দা ৱিকেৎ অনি অনি লৌখি। হায়রিবা মেটচ অসিদা পি টি আর সি গী সি ঐচ বিদাসনা মেন ওফ দ মেটচ তাবা ঙমখি।

মনিপুর সেনিয়ার ৱুমেন্স ফুটবোল টিম শেমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ ঃ করনাতকাগী বেঙ্গলুরুদা থা অসিগী ২৯ দগী এপ্রিল ৬ ফাওবা পাংথোক্কদৌরিবা ২৭ শুবা হেরো সেনিয়ার ৱুমেন্স নেস্নেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২২–২৩ দা শরুক য়াগদবা মনিপুর সেনিয়ার নেস্নেল ফুটবোল টিম শেমখ্রে।

ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না টিম অসিদা মনিপুরগী ওইনা গোলকিপ্পরদা ই এস য়ু দগী নাওরেম মোনিকা, ৱাই দব্লিউ সি লংথবালদগী কৈশাম মেলোদি অমদি আই সি এস এ দগী ৱাহেংবম উশারানি, দিফেন্দরদা ক্রিপসাদগী য়ুম্লেম্বম পাকপি, ৱাংখেম লিম্থোইঙম্বী, অমদি শঙলাকপম বন্তি, ই এস য়ু দগী ময়াংময়ুম অচৌবী, কাঙবম অনিতা, ঐচ লিন্দা, টি ঐচ সহেনা, এন গিতাঞ্জলি, মিদ ফিল্ডরদা ই এস য়ু গী মোইরাংথেম মন্দাকিনি, আই প্রমেশ্বরি, ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী মাইবম নন্দেশ্বরি অমদি এম পি এস সি গী ক্ষেত্রিময়ুম নাওচা, ক্রিপসাগী লাইশ্রম বেবিচা, য়ু পি এস এ গী পি ঐচ নিরমলা, অমদি এম পি এস ই গী সলাম রিনারোই, লোয়ননা ফোরৱার্দতা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী হৈক্রুজম দয়া অমদি এল লিন্দা কোম, আই সি এস এ গী ওইনাম বনিতা, অমদি ই এস য়ু গী লিনৈলেম হায়রিবশিং অসি খনগৎলে হায়রি।

খনগৎলবা শান্নরোইশিংনা মার্চ ১৮ গী অয়ুক পুং ৮ তাবদা লম্পোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়রি।

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

Editor: **Laishram Kumar** Printed & Published by **Ng. Devendro Meetei** on behalf of himself at **Lamyanba Printers**, Konung Lampak, Imphal - 795001 (RNI No. MAN MAN 2004/14847) Phone : **2461901, 9436296510** e-mail: *ireibak@yahoo.com* Fax - **2461901**